

“তাইবঙ মীগী চিন্থোকপু কনানা হুকপা ঙমগনি। চাক মরূ অমতংনা চেঙকোক অমা মাঙহনবসু লৈ।”

-হিজম গুণ (তোনু লাইজিংলেন্বী)

# শৈরেং

## শিন্নীশিংগী কাউঙমলোইদবা নুমিৎ

—বি মঙাং

মীনা মীবু তুহৎপীবৈ
অকনবনা অশোনববু নৈহৎপীবৈ
শিন্নীশিংগী পুন্সি খোঙ্গাওনবৈ
ওৎপী নৈবীবগী চৈনাখোল
শিন্নীশিং মরোল থোরকখিবা
ধর্ম্ম, লোল, কুচু খেনবৈ
শিন্নীশিংগী ঈহৌ লাকখিবা
নীংশিংলকই কুমজা ১৮৮৬
মে দে শিন্নীশিংগী নুমিৎ
নোংমদা পুং ১৫ থবক শূহনবৈ
অপূনবা খোল্লাউ ওইখি মালেমদা
নোংমদা পুং ৮ থবক শূগদবনি হায়বা
শিন্নীশিংগী মান্নবগী ঈহৌ
ইহান হানবা ওষ্ট্রেলিয়া লৈবাক্কী
২১ এপ্রিল ১৮৫৬কী
শিন্নীশিংগী অকনবা ঈহৌ
চিকাগো সহরদা শিন্নীশিংগী
অচৌবা মীয়ামগী ঈহৌদা
লৈঙাক্লা বোম লংশিন্দুনা
শিন্নী কয়া হাৎখিবা
অশোক অপন নংহনখিবা
ওৎ নৈখিবা থৌওং
অমেরিকাগী ইম্পেরেলিষ্টকী
লোইলম শন্দোকপগী থৌরাং
ওন্ন-তৈননা ভিয়েটনামগী
মে দেগী শিন্নীশিংগী
থৌরম পাঙথোকপগী
য়াল্লবা মীয়াম্না ভিয়েটনামবু
নীংখা তন্বা লৈবাক ওইহনখি
শিন্নশিং য়াইফনবা খঞ্জরন্বা
কার্ল মাক্স মার্চ ১৪, ১৮৮৩
শিন্নীশিংগী মায় পাকপগী নুমিৎ
উদনা তাইবঙ থাদোক্তুনা চৎখ্রে।

## জহাজদা

—এম নিলাকুমারি

ইনিংমন্দুনা ইথোরকই
মচিন থৌরবা কলমনা
খান্বা নংহৌদে, অঙৌবা চেবাংদা।
অহল অমা নোমফেৎ নোমফেৎ লাকই
কন্মান্দোরা-পুলিসকী মীওইশিংলা হংলি?
ইমা কদায়দনো খুমখি ভোটনি-ভোট :
ভোট ওইরবদি ক্য-ক্য-ক্য
ক্য থুগাইবীগনু
অমগা অমগা কৃক-কৃক
হানবা তান্নবা হৈনবীনি
হানবা তান্নবমক্তদা গাড়ী কয়া থেঙ্গাইনৈ
মী থেঙ্গাইনৈ, কার ৱাইখাইনৈ।
হৈনখ্রবনি মফম খুদিং
গ্যাস লৌফমগী ক্য
ওটোরিক্সোগী ক্য
পরেংবু লেংলবদি ক্যনি।
ইমাদি কদোমদা: টিৎ খোংবীদা নমগদবা নত্রা?
ইমাদি জহাজদা টিৎ খোংলমলে
এরোপ্লেনসু তোংলে,
ওটোসু-সাইকলসু-কারসু, জহাজদি তোংদ্রি
জহাজদি কংফালগী নত্তে
ঈশিংগী গাড়ীনি
ঈশিংনা থৱায়নি,
পাঙ্গলনি শক্তিনি
গ্লাস অমগী মমল কয়া য়ামই;
মীওইবগী থৱায় ঈশিং
ঈশিংগী গাড়ী জহাজ
খূৎহৈবা কয়ানা শাবা জহাজ।

## শেংদোক্লহৌবা

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

শেংদোক্লখিবা অদুনদি
থম্মোয়বু পেলহনবা ঙমখি।
ফোঙদোক্তনা ওল্লদুনা লৈরমখিবা
লম্বেল অদুমদি নাখৈ শেংলমলে,
মা ঐগী লৈনরম্বা মরীঅদো
নীংঙমদা নীংঙমদা লোইখ্রে।
পুন্সিদা অসুক চাউনা মীনম্বা
ঐগী ইফমদা,
মহাক্কী মফমদদি
করি ওইরমগনি।
ওইখ্রে ঐঙোন্দা
পূন্নমক য়েক্লবা
থাজদ্রবা মীৎকুপ অদুনা
চৈথেং কয়া ওইদুনা
ঙসিসু লেল্লি
পুন্সিগী পন্থুংফম অদু
য়ৌবা ঙাইবা ওইনা।

## নিংথৌগী থোঙজিল

—ৱারেপ্পম তোমচা

মচু, মচুনা লৈতেংলি,
অকন, অকনবা য়োৎনা শাবনি।
শক্লাইরবা নিংথৌগী থোঙজিলনি।
মতম চূপ্পদা ৱাৎপা লৈতে সন্ত্রি।
চঙনীংবা মতমদা চঙবা য়াদে।
উননীংবা মতমদা উনবা য়াদে।
আ! কয়াদা শক্তি লৈখ্রবনো;
আ! কয়াদা নুংঙাইরবা মপোকনো
চানীংবতা চা, থক্লিংবতা থকপা,
শেৎনীংবদা অৱাৎপা লৈতবা
হায়নীংলবসু কৌবা নাইদে
বেল খিঙলগা লোইরে।
নোংমতা উনজগে লাকপসু
অৱাবগী মশকনি, অতোনবগী মতৌনি।
পুং কয়া লৈরগা হায়রকই
থোঙঙাকপা সন্ত্রিনা, ঙসিগী মতম
লোইরে
হয়েং লাকপীরো, হয়েং লাকপীরো।
নিংথৌ থবক চৎলনি।
চৎখিবা মতমদসু হন্না য়েংলমদে
মখল কয়াগী গাড়ীদা
তোংদুনা চৎখি মরী-মরী।
উনজগে লাকচবা খুদিংমক
তঙক-তঙক য়েংদুনা লৈহৌই।

## নোংমগী চারা

— সনবম বীকেন্দ্র

হিংনিংলি ঐখোয়সু নখোয়গুম্না
খল্লিবনি লাইবক্তা তমলম্বা।
ৱারৌদে কনাদসু ঐখোয়না
নখোয় লৈবগী ঐখোয় লৈরম্বনি
ঐখোয় লৈরম্বগী নখোয় হিংবনি।
খল্লু নখোয়সু ৱাখল অমতংদি
নোক্লিংবা করীগী ফাওরিবা
করিদনো কদায়দনো নোক্লরিবা ?
নুংশাগী মৈশা খাঙবৈরা
নোং-নুংশিৎ কিবৈরা
অৱা-পোৎলুম অসিগীরা ?
হিংলিবনি মখোয় নখোয়গীদমক
লেপ্লিবনি মফম খূদিংদা
অহিং নুংথিল নাইদনা
হুল্লিবনি নোংমগী চারাদি
অকী-অখঙ য়াওদনা
মহাক্তনা,মখোয়তনা ।।

## শকউদবা চেক্লাও

—খাইদেম বোরসিংহ

অহিং ’শোয়বা তূমদনা
চেক্লা নথৌগুম খোংলিবী
করি নমিং কৌবগে
তাকউনে অমুক্তদি নুংশিবী।
ওইরল্লবা ঐনা করিগুম্বা
লাইৱা যাদু হৈবা
চেক্লাও নঙবু ফাদুনা
পূক্লিং কাদা থমজগনি
কনা খঙহন্দা উহন্দনা
ঐতগীনি হায়না ঐতগী।
ও! তাররোইদো অমুক
নপাং কয়া থোরকপনা
ইহুৎ ইহুৎ শিনহৌরে ইতৌগুম
ইনুং ঙাল্লে মতাগুম
কদোম মায়কৈ পাংলিবা?
অশিবা কনাগী থৱায়না
চেক্লা শক্লোন লৌদুনা
নীংঙমদা’ মপাউ তল্লিব্রা
মশকসু উদ্রি অমুক্তা
চেংলৌ করি শক্তমনো
লৈচিল নোংফাইগুম মেঙবরা?
চেক্লাও নঙনা পি...পি...
তম্ফম খঙদা নৱাহৈ
লৈহৌখো চেক্লা শকহৌখো
ঐনা শিরবা ’তুংদসু...!!

## তাৎ তৌনু তাৎতৌবা

—তবানু খুরাইজম

তাৎ তৌনু তাৎতৌবা
অমনা পাল্লি তাৎতৌই
অমনা পাল্লি তাৎতৌই
অমনমুক পান্নি তাৎতৌনি
ইরম কংলৈ লৈকোলসে
তাৎকী থৌরম শিন্থানা
তাইবঙ লৈরাং খুইথরে
তাৎ তৌনু তাৎতৌবা।
কৌজেং হারৌনা চোঙবগুম
চোঙ ফন শান্নরিবা
পিল্লবা থৌনাউ খোঞ্জেলনা
কংলৈ লৈশেমনি লাউরিবা
থম্মোয়দি চেৎপা ঙমদ্রিঙৈ
ওইজ হান্না থিরিবা
তাৎ তৌনু তাৎতৌবা।
মীগী খদাং মখা থা
ৱারীনা মতম লেন্নখিনি
মীগী মীৎয়েং চঙখিনি
ঈনানা য়াৎপৈ চৈনাদো
খাংবা ঙমলোই নশাদা
তাৎ তৌনু তাৎতৌবা।
তাইবঙ লৈরাং ওইবদি
ৱাবগী চৈথেং খাংঙমদরে
হক্কী খোঞ্জেলসু য়াউঙমদরে,
ইকায় ইকি ৱাংমা লান
ওইদ ৱাহৈ কয়ানা
ৱাখল হুমাং তানরিবা
পুন্সি লম্বেল শেম্বদা
নরমগী হান্না থৌবাংখো
তাৎ তৌনু তাৎ তৌবা।

## থবক

—কান্তা মৈরালাকপম

লৈঙাক্লা খুঙ্গংশিংদা
শূবা জোব কার্দ
চহী অমদা
নুমিৎ চান্মা শুহনবীয়ু।
জোব গার্দ শূবশিংনা
চহী অমদা
নুমিৎ চান্মা ফানা
থবক শূহনবীদবগী
য়াম্না পেন্দবা লৈরে।
জোব কার্দ খুঙ্গংদা
লৈবশিং লৈঙাক্কী
থবক পীবনি।

# ক্যেরেফাসোদা অনৌবা পুন্সি

## (New Life at Kyerefaso)

- ইফুআ টি সুথর্লেন্দ

ঐখোয়বু হায়রদ্রনে
ঐখোয়বু সুম্না পাউদম্লদ্রনে

ঐখোয়বু হায়রদ্রনে, ক্যেরেফাসোগী মহারানীগী মচানুপী, ফোরুৱা কৌবীদু শজি মচাগুম ইন-খৎলক্লিবীনি, কায়াৎ খুদিং লেমজনীংঙাইনি হায়না। হোয়, মহাক অদুগুম্বীনি, তোঙ্গানবীনি, তরাউ তরাউবী মিৎস্না অনী পানবী, মোং হাজদবী। মহাক্তু মখোঙসু য়াংই, চৎপদা তয়াং তয়াংবীনি।

চেনচৎনি, মানা ঈশিংখোং চৎপদি, শজিনা উমংদগী চেন্থোক্লক্তুনা ঈশিংখোং তল্লকপগুম্বীনি। য়েংবদা মিৎফম হোংবা য়াদবীনি। মাবু থৈনরুবা কনা অমতনা লান্থোক্লফাও হন্না অমুক্তং য়েংলমদনা তোক্লিংদবীনি।

খুঙ্গংগী মীশিংনা ঙাঙনৈ, মানা ঙাঙথোক্লকপা খোঞ্জেলদি মনিল নাইদনা চেল্লিবা ঈচেল মচাগী মখোলনি, ৱানাশিংগী উরুমদা চেল্লিবা। সুম্নসু হায়নৈ, মানা মোমোন নোকপদি থরো কৌবী লৈরাংনা মচিনবান্দা হেক শাৎকায়রক্লুম্বীনি, হৌগৎলকপদনা কোরৌ মানা তপ্না ইনখৎলক্লুম্বীনি। করম্বা কুরাক্লোনে লৈরাংবু হুন্দোক্তুনা চৎকদবা, পাইশিল্লকপা তাবনি। অদুম্না ফোরুৱা কৌবীদু খুঙ্গংদুদা লৈরাংগী শক্তম ওইররে।

ঐখোয়বু হায়রদ্রনে
ঐখোয়বু সুম্না পাউদম্লদ্রনে

ঐখোয়বু সুম্না পাউদম্লদ্রনে, কুরাক্কী মশক লৌরিবা খুঙ্গংগী পাখঙ মখৈনা খোঙথাং খুদিং ফোরুৱাগী মনাক নকচনিংলে, মাগী লম্বীদা তুবৎ তুবৎ চৎচনীংলে, হায়না? পাখঙশিংদুনা মাবু হায়নৈ, “মাদি ঐগী নুপী ওইনি।” “নত্তে, ঐগী ওইনি।” ঐগী ওইনি, হায়দবা লৈরক্ত্রে।

নুমিৎ অমুক থোক, নুমিৎ অমুক তা। থাজ মাসু থানিল অমুক ওই, অমুক্লা থাশি, অসুম্না নোংমা নোংমা হৌখিবনা ফোরুৱাদি সুম ফজবা হেনগৎলক্লে। অদুবু কনাগীসু লোয়নবী ওইবদি ঙম্নদ্রি। উনবা খুদিং কুরাকশিংদুদা মোমোন তৌরমগনি, মখূৎ তপ্না হায়রমগনি, মায়োক্লবদা। অদুবু অদু মঙায়, থুনা অদুম চৎখিনি, মাগী থবক্তা, মখা তারমদনা।

কৌরমগনি :
- “মোর্নিং ক্বেকু!”
- “কমদৌরি ক্বেসি!”
- “হলো! ক্বোদ্বো!”

অদুনা লোইরে মাগী হায়বু।

অদুনা পাখঙ পূন্নমক্লা মথমোয়দদি মাগীদমক মিহুল চোংলবসু মচিন্দদি হেক্তা হায়নৈ - “মসি পোঙখ্রেদা।” “ফোরুৱাসি পোঙখ্রেদা।”... অঙকপনিকো।

নুপামখৈদুনা হেক পূনবদা হেক্তা হায়নৈ :

- “অঙকপী নুপীমচা অমা চৎলি। মহাকসি ঙকচাও থেক্তুনা পোঙবসু নৎত্রি। অদুগা থবাক লোংথোক্তুনা, খুঙ্গংসিদা মা মঙায়রে হায়না পোঙবসু নৎত্রি। করম্বা খূৎপোঙনোনে মাগীসিবু?”

অসুম্না চহীগী অরোইবা মতমদু য়ৌরক্লে। চহী লোইরকপগী কুম্মৈ লাক্লে। মহৈ মরোং লোকপগী, জাম হেকপগী, য়ুবী হেকপগী লৌরোক কুম্মৈনি। কুম্মৈসিদা মাগী মাগী কন্যা, বর খন্নহৌবগী থবকসু পাঙথোক্লে। মতমসি অসাফো সিফাই কম্পেনিনা কুম্মৈ উৎলবগা ফাংনৈ। খুঙ্গং অদু পূমনিলনি, নুপাশিংগী মখোল, নোংমৈ কাপ্পগী মখোল, পূন্না শকপা ঈশৈগী মখোলনা অঙকপা ওইরি।

লময়ানবা, লমশেংবা কুম্মৈ লোইরে। অদুনা অসাফো কাঙবুদু মহারানীগী শঙ্গায় তম্না চৎপা মতমনি। নুপী মখৈনা উৎচনীংনা ইন্নরি। মখে লাংলি, মখোয়দুনা লাক্কদবা লম্বীদা মফি তিংথোক্লরি।

য়েংঙুনে! য়েংঙুনে! লাউনরকই, নুপা অহলশিংদুদা ওনশিন্দুনা। মখোয়দু উশাথক্তা তোংদুনা কবোকৈদৌনা কুম্মৈ য়েংলি। মখোয়গী মরমদা ঈশৈ শক্লরকই :

মখোয়সে মতম অমদদি
লানবুং য়ৈবা লোইফাৎত্রিঙৈ
শা-লানগী য়াইপুং য়ৈরক্ত্রিঙৈ - চেকশিল্লু!হায়না
লানগী শিঙ্গা খোংলক্ত্রিঙৈ

লানপুং, য়াইপুং, শিঙ্গা খোংবা লোইদ্রিঙৈ, ‘শেম শারো’ হায়না মখোয়সে ফুক হৌগৎনরম্মীনি। চোংশিল্লম্মীনি, চোংশিল্লম্মীনি, য়েক্লবগী মথক্তা। অদুবু হৌজিক্তি ঈ হনখ্রে। নোংথাংগী মায়োক্তা নোংথাং ওইঙমদ্রে।

অদুবু খুল্লকপগুম তৌরি - ঐখোয় হৌজিকসু উশাথক্তদি কবো কৈগুম্বনি। ঐখোয়না ঙংবদা খুল্লকপা ঙমগদবা লৈত্রি। চেকশিঞ্জৌ! ঐখোয়না ঙাঙবদা খুম্বা ঙমগদবা লৈত্রি।

মহারানীগী মশুমাঙদদি অঙকপা মতৌ ওইরম্লে। অসাফো লুচিংবদুনা লাউরকই :

- “তপ্না, লেম্না, ইমা মহারানী লেঙথোক্লক্লে।
মাগী লম্বীদা য়াউগী মউন শন্দোকউ!
তপ্না, য়াংনা ইমা মহারানী থোক্লক্লে,
মাগী মথক্তা পৈশা চাইয়ু
মাগী মথক্তা পৈশা চাইয়ু
মরমদি মহাক্তি শান্তিগী মবেম্মনি।”

মহারানী ইবেম্মদু লেপখ্রে, ৱাংলদুনা, ফজরদুনা লেপ্লরে, নুপাশিংদুগী মমাঙদা। ঙাইহাক তুমিন তুমিন লৈনৈ। মহারানীনা মখা তারকই :

- “করি পাউনো? করি পাউনো নখোয়না পুরক্লিবা?”

- “ইমা! ঐখোয় লময়ানবা কাঙবুনি, সিফাইনি। ৱাবনা লোইরবনি। চোকথবনসু লোইরে, খোঙসু তিঙ্খ্রঙনা থিনদৎলবনি। অদুনা ঐখোয় লাকচরবনি সনা ইবেম্মগী অঙ্গংবা শান্তিগী পাউতাক অমতংনা ঈরুজথোক্কে হায়না। ঐখোয় লাকচরিবনি, ঐখোয়গী নুপা ওইবগী থৌনা লিংজেল পূন্বা অনৌবা পুন্সি অমদা শীজিন্নবীরো হায়জগে হায়না।”

মহারানীদু অদুম তুমিন্না, ৱাংলদনা ফজরদনা লেপ্লি। মাগী থৌগল লাক্লিবা হুমাই পায়বশিংদুনা মাবু য়োমশিন্দুনা লেপ্লি। তাঞ্জাদুদা নুপাশিংদু অমমমতা চঙলক্তুনা মাগী মখোঙদা পায়রকপা নোংমৈশিংদু থল্লরে। মদুদদা মহারানীদু ৱা ঙাঙলকই :

- “ফরে, নোংমৈ থাদোক্লে। নোংমৈগী মখোল তাররোই। অদুনা ঙসিদগীদি নখোয়গী খূৎলাই হায়বু নখোয়গী কোক্লা ওইরদবনি। অদুগা নখূৎশিংদুনা থবক নোল্লদবনি।”

মহারানীনা মখাসু তারকই :

- “লাক্লো লৈশাবীশা, নুপী লোইনা থোক্লক্লো। নুপাশিংসিগা জগোয় শামিন্নরো। মখোয় অনৌবা পুন্সি অমগীদমক শেম শারবনি।”

অদুবু লৈশাবী অমখক্তি জগোয় শাবদু য়াওরদ্রে। মাবু য়েংদুনা মমা মহারানীনা লাউরকরই :

- “কৈদৌরে, ফোরুৱা! নঙদি জগোয়সি য়াওরোইদ্রা? নুপাশিংসি মপা মপুগী মীংচৎ ঙাক্লবা হোৎনবদা চোকথরবা ঙাক্তনি। মদুদসু নহাক মোমোন নোক্লরোইদ্রা? মখোয়সি - ‘ঐখোয় নুপানি, ঐখোয় নুপানি’ - লাউবদদা চোকথরবা ঙাক্তনি।

- “মখোয়সি মপা-মপুনা তঙ্খায় শেমগৎলম্বা য়ুম্ফম অদুদা পৈখৎলিবা অমোৎ-অকায় মথক্তুদা লংজাগুম ফল্লুবদা চোকথরবা ঙাক্তনি। অদুনা মোমোন নোকউ, ফোরুৱা! মোমোন নোকউ।

- “মখোয় হৌজিক্তি উফুল মরক্তা ওল্লদবনি, মখোঙ তিঙ্খ্রং মরক্তা চঙলদবনি। ‘ঐ ইরৈবাকপু নুংশি’ হায়বদু লংজানা অপূম-অশা মথক্তা খোংবগুম লাউদুনতা লৈরম্বদু তোক্লদবনি ঙসিদগী। জগোয় শারো, ফোরুৱা! জগোয় শারো।”

ফোরুৱাদু তপ্না মচিনবান কাঙলকই অদুগা ৱাহৈসিখক্তা হায়রকখি :

- “ইমা! মহাক অদু মফমসিদা য়াওদ্রি।”

- “কনানো? কনাবুনো নঙনা য়াওদ্রি হায়রিদুনা?”

- “মহাক্তুনি, অনৌবা পুন্সি অমা শেম্মিন্নগদবা। মফমসিদা উদ্রি, ইমা! লৈরিবা নুপাশিংসিগী মায়থোঙশিংসি ইহাঙ হাঙঙি। মখোয়দা কৈসু য়াওদ্রি। করি অমতা য়াওদ্রি।”

- “ওন্থোকপনিদা ফোরুৱা! ওন্থোকপনি, ওন্থোকপনি! নঙবু করম থোক্লদৌরিনো, ইমাগী ইবেম্মা?”

- “ইমা! মাবু থেংনবা নুমিৎতুদা, নুপাদুবু হেক ফংবা নুমিত্তা, ঐনা ননাক্তা চেল্লক্কনি, মতমদুদা নঙগী অৱাবা কোক্লদবনি।”

- “অদুবু ফোরুৱা!” মমা মহারানীনা য়েৎলকই, (মাসু মচাগী থমোয়বুদি অদুম খঙই থনুংদা), “চহী মঙাগী মমাঙদা নঙগী লাইমিং লৌখ্রবনি। নঙ অঙাং নত্তে, মনুং-মতম চারবনি। নমান্নবী মানন লুহোংখ্রে। নঙগী মরুপ এসিসু লুহোংখ্রে। মখোয়সু নঙগা পূন্না লাইমিং লৌখ্রিবনি।”

- “চুন্মী ইমা! মখোয় লুহোংখ্রে। অদুবু কমদৌরি, মখোয়গী চীংলেল্লবা খোঙথাং ঙসিদি উফুল্লক্তা শোরো শোরো চিংখ্রে। মখোয়গী মিত্তা য়াওরম্বা তথক তথকপা মিৎয়েং মাঙখ্রে। মখোয়গী নুপা মখৈনা নুমিৎ চুপ্পা হৈনৌ মরুমদা কোনাগী য়ু থক্তুনা লৈখ্রে। নুমিৎ চুপ্পা য়ুগী দুকান থোঙ থীন্দুনা লৈরে। অদুদা নত্তনা অতোপ্পা নুপীদা মিৎয়েং তাবা হৌখ্রে। অদুনা ইমা, ঐনা পান্বা নুপা য়াওদ্রি মফমসিদা।”

মমা-মচা ঙাঙনবদু নুপা মরক্তগী অমনা তাথোকখ্রে। মথঙ মথঙ শন্দোকখ্রে। ফোরুৱানা হায়খিবা ৱা লোইনা। অদুনা নুমিদাংৱাই অদুদদি খুঙ্গং অদুদা অনৌবা ঈশৈ অমমুক শক্লখ্রে :

থায়না মমাঙঙৈ নুপী অমা লৈরম্মী
লৈশাবীদুদা হায়বীয়ু, লৈশাবীদুদা হায়বীয়ু
থায়না মমাঙঙৈ নুপী অমা লৈরম্মী
মহাক্লা ক্বেসিগসু লুহোংলোই হায়,
মহাক্লা ক্বাদ্বোগসু হোঙলোই মহায়
অমগসু হোঙলোই হায়, অমগসু হোঙলোই হায়,
নোংমগী নুমিত্তদি মহাক চেল্লক্লম্মী
ঐগী নুপা ফংলে, ঐনা পান্বদু ফংলে, ফংলে
লৈশাবীদুদা হায়বীয়ু, লৈশাবীদুদা হায়বীয়ু
নুপাদু মতৌদি লেম্মী, খুনবু খুল্লাকপদুম মাল্লি
মাগী নুপাদু তশেংনা মাল্লি খুনবু খুল্লাকপা
য়েংবদবু পেনবা নাইদেদো।
অদুবু মহাক্তো লাইরেল অমুক ওন্থোকখ্রে
নুপাদু লাইরেল অমা ওন্থোকখ্রে
অদুগদি নুপীদু মানা য়োৎথোকখ্রেদো।

নুমিত্তুদগী খুঙ্গংদুগী নুপা অয়াম্বা ফোরুৱাদা মতুং ওনশিন্নরে। ফোরুৱানা হেক থোক্লকপদা।

ঐখোয়বু হায়রদ্রনে
ঐখোয়বু সুম্না পাউদম্লদ্রনে

ঐখোয়বু পাউসি তল্লদ্রনে - নোংমগী নুমিত্তদি ফোরুৱাদু তফিং তফিং মমাগী মনাক্তা চেল্লক্লে, কোন্থোংকা নমখায়রগা চঙলক্লে অদুগা শুমাংদা চপ লেপ্লরে। মশাদু হরাউবনা থূমহৎখ্রে। মাগী মতুংদনা শকখঙদবা পাখঙ অমা ইন্নরক্লি অদুগা মাগী নাকন্দা লেপ্লরি। ৱাং চাউই, কন্না উই য়ুম্বীগুম। ঙকপনা লোইরবা মহারানীদুদা ফোরুৱানা ৱাদু হায়ররে :

- “ইমা! ঐনা হায়বা মহাক্তু মহাকসিনি।”

মহারানীদু তপ্না মিৎয়েং তারকই নুপাদুদা, য়েংবদদি উমংগী অকনবা উ পান্বীগুম লেপ্লি। মহারানীনা তপ্না হংঙি :

- “ইচানুপা! য়েংবদদি নঙসি মতিক চানা নরৌশিং লৈবা মাল্লি। নঙবু তরাম্না ওক্লি। অদুবু হায়য়ু, নঙবু কনানো?”

- “ঐনসু খুরুমজরি ইমা!” নুপাদুনা মোং-হাদনা খুল্লক্লিবনি, “ঐসি শিন্নীনি। ঐগী লৈজবা হায়বু ইখূৎ অনীসিদনি, নচানুপীদা কৎচবা ঙম্বা। খূৎ অনীসিনা ঐগীদি পূম্নমক্লি। ঐ মালেম থুংনা কোয়জরুরে। থবক খুদিংগী লৌশিং তানশিঞ্জরক্লে। মদুনা ঐগী পাঙ্গল ওইজরি। সিনি ঐগী ৱারী হায়বু।”

ঐখোয়বু হায়রদ্রনে
ঐখোয়বু সুম্না পাউদম্লদ্রনে

অঙকপা ৱারী হায়দু ওইরেদা। ফোরুৱা কৌবীদু শকখঙদবা অদুদা লুহোংবিখ্রে, মমা মহারানীনা। খুঙ্গং থুংনা শাউবনা লোইনখ্রে। খরনদি ফোংনদুম নোক্লবিরে করেম্নবিরে :

- “কমদৌই, হৌজিক্তি নাপল তৌবীদু উফুল লেক্লেদো।”

ঐখোয়বু হায়রদ্রনে
ঐখোয়বু সুম্না পাউদম্লদ্রনে

ইকুই কুইদনা, থুনমক, য়ারিখৈ থুনা, ক্যেরেফাসোগী মীয়াম্না শকখঙদবা নুপাদুগী মতিক ময়াই খঙবা হৌনরক্লে। খল্লুবগা ওন্ন-তৈনরে। হায়নরক্লে :

- “কনানোনে অসিবু? ঐখোয়গী ইরক্তা তিল্লবদুবু অসিরনে? শূবসু লেপ্তে, ঈশৈসু ঙংই, শূরগদা হরাওজবা, ৱাবসু উদে, মপাঙ্গলনা ফরিবা।

অমনা অমুক তল্লরে :

- “য়েংঙুদো, কয়াদা মরাঙ কায়না পোখোক লৈখ্রবা মাগী লৌবুকসে, মানা লেপ্তুনা হোৎনজবদুনা।

- “মাদি লৈবাক থীৎলগা পৈশিল্লিদো, অদুগা চেক শাবসু হৈ। কয়াদা ফজখ্রবা মাগী চেকয়ূম অসে। য়ূম অসিমনা খুল অসিফাও লেম্বা হেনগৎহল্লে।

- “য়েঙু, মাগী হৈ-শিংবা মখূৎ অসে। থুমুকসু শাই, ফৌরাংসু শাই, ফালসু, ফকসু মানা শাদবা লৈতে। মানা লোইনা শারিবনি।

- “য়েংঙুনে, ঐখোয়গী খুলগী অঙাংমখৈ মঙোন্দা লোইনা য়োমশিন্দুনা মাগী থবক য়েংলিসি। ঙক্লা হরাওনা। অদুনা নুমিৎ চুপ্পা হৈনৌ মখোঙদা কোনাগী য়ু থক্তুনা লৈনিংলক্ত্রে।

-“য়েংঙুনে, ফোরুৱাগী নুপাসিনা তৌরিসি। অয়েংবশিংনা য়েংজরু লাউ লাউনরিসি। খুলগী নহাশিং মাগী মতৌ তমজরুলাউ হায়না লাউরিসি।

অদুদগীদি কুইদ্রে। শকখঙদবা নুপা অদুবু থিবা হৌনরক্লে, ৱারী শানবা। মী পূন্বা থবক য়াওশিনখ্রে। লৌবুক পূন্বা মহৌশাগী ওইদ্রে, মহৈ-মরোং চুমখ্রে। লৌরোক পান্থাদি নুপীখৈ হরাওনা থবক য়াওশিনখ্রে। খুলদু অনৌবা পুন্সি হৌখ্রে। হান্নগী কাবক শাবক শারম্বা য়ূম থুদেক্লখ্রে, শকখঙদবা অদুগী মতৌ তমদুনা অনৌ অনৌবা য়ূম শানখ্রে। তশেংনা ক্যেরেফাসো কৌবা খুঙ্গংদো মপোক অমা ফংবগুমখ্রে।

মী পূন্বা খিংখিং লাউনখ্রে। মশানা মশাবু চাউথোকচবা ঙম্নরে। লৌবুক্তগী মখোয়না ঙল্লিখৈ চাথোক্তমক লৌবা, লৈহাওগী খন্দবা মিৎয়েং অদু থাদোক্লরে, লমদু মথ্বায় পানবগুম উরক্লে। তুং কোইগদবা, মচাশিংগী লেঙদ্রবা মফম অমা ওইহৌনবা খন্নবা হৌনরক্লে।

ইহে ! চহীগী কুম্মৈ মতম অমুক য়ৌরক্লে।

- “য়েংঙু, ঈ অমুক তানররোই। ঐখোয়গী ইপা ইপুনা লম্বী অদু তাক্লম্লে। ঐখোয়না লম্বী অদু শেমজবা তাই। মখোয়না মশাদগী ঈ তাবখৈ লম অসি ঐখোয়গীদমক লৈবীরম্লবনি। ঐখোয়না ইপাঙ্গলতনা মসিবু শেমগৎ-শাগৎসি। ঐখোয়গী কোক্লা মসিবু শেমগৎপা তাই।”

প্রোসেসন হৌরে। নুপাশিংগী মতুং নুপী অঙাংশিংনা ইল্লে। মখোয় মখোয়গী কোক্তা মাগী মাগী লমগী পোখোক পুনরি। মখূত্তনা মানা মানা শাজবা পোৎলমশিং পায়নরি। অশংবা লফোই, অমুনবা লফোই লফাং লফাং উগী শেম্পাক্তা হাপ্তুনা পুনরক্লি। ইংখোলদা পানবা খামেন, খামেন অশিনবা, অঙাঙবা থাও থোকপা কোনা মহৈ, মখল মখল, নুংশা মরক্তুদা লৈবাক্কী কম্বীদা হাপ্তুনসু পুনরক্লি। কোমলা য়াওরে, জাম য়াওরে, চুজাক্লা থল্লবা শেঞ্জেংগী শেম্পাকসু য়াওরে। সনা মচু মানবা খোংদ্রুমসু য়াওরে। মরক মরক্তা অঙাং খরসু মশানা শাজবা মচু মচুগী ফকশিং, পোলাংশিং, শান্নপোৎশিং হরাওনা পুনরক্লি।

মহারানীনা লেপ্তুনা য়েংলি লাক্লিবা প্রোসেসন অদু। হন্দক্তা নোং চুখিবগী নাপীনা শংলবা অনৌবা কাঙজৈবুংদা তিন্দৌরিবনি। মহারানীনা য়েংলি, মহাক তম্না চঙশিল্লক্লিবা জগোয় শাবদা হুমাং তারবা মীয়ামদু। মাগী অকোয়বদনা হুমাই পায়বশিংনা নক্লা লেপ্লি।

মহারানীনা উরে, মচানুপী ফোরুৱাসু জগোয় শারি। মহাক্তুনা শেঞ্জেংগী অচৌবা শেম্পাক অমদা মৈতাল পিক থন্না হাপ্তুনা পুরক্লি। মথক্তা শৌগ্রী মপান্না লৈতেংলদুনা। মশানা জগোয় থেক্লদুনা। মমা ইবেম্মা মহারানীদু হরাওবনা লোইখ্রে, মচানুপীনা অদুম্না য়াওরকপদু উবদা।

মচানুপীদুগী মতুংদনা মহারানীনা ফোরুৱাগী নুপাদু উরকই। মাসু য়াউ অঙৌবা অমা কোল্লগা লাক্লি, অদুগা নুপা অতৈগা পূন্না ঈশৈ শক্লি। মহারানীনা চাউথোকচনা মাবু য়ংলি। অদুম্না প্রোসেসন অদু মহারানীগী য়ূম তম্না লাক্লি।

অসাফোগী লুচিংবদুনা লাউরকই :

- “য়েংঙু! মালেমগী তোমথিন ঙানবী মহারানীনা লেপ্লিবসি। য়েংঙু! ইমা মহারানীনা ঐখোয়বু ঙাইদুনা লেপ্লিবসি। ঙাইদুনা লৈরে, ঐখোয়গী অৱাবা উফুল চামথোকপীনবা, মাগী ঈংলবা শান্তিগী ঈচেলনা। তিংথোকউ য়াউগী মউনদু, তপ্না। কৎলু, লমসিগী পোখোকশিংদু মাগী মমাঙদা। শন্দোকউ নখোয় নখোয়গী খূৎ-শা হৈবগী পোখোকশিংদু মমাঙদা। তপ্না তপ্না।

- “য়াংনা, তপ্না লেঙথোরক্লে ইমা মহারানীদো। মাদি শান্তিগী মশক্লি।”

ইংরাজিদা : ইফুআ টি সুথর্লেন্দ
মণিপুরীদা : সলাম তোম্বা
(ঘনাগী ৱারীমচা)

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।